# কর্নাটকাদা সরকার শেম্নবগী মতাংদা পূম্নমক্কী মীৎয়েং গভর্ণরদা থল্লি, মণিপুরদা সরকার শেমখিবগী মওং লৌরবা য়াই




**বেঙ্গুলুরু, মে ১৬ ঃ** ঙরাং লাওথোকখিবা কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনগী ফল অদুদা পার্টি অমত্তনা মপুং ফাবা মেজুরিটি ফংবা ঙমখিদ্রবা মতূংদা বি জে পি অমদি কংগ্রেস–জে দি (এস) কী কাঙবুনা মখোয় মখোয়গী সরকার শেম্নবা অকনবা লানওং চথ্নরি।

মীখল অদুদা বি জে পি না সিট ১০৪ ফংদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা দল ওইরবসু সরকার শেম্বা ঙম্নবা মশীংদি য়ৌদবনা মশীং ৭৪ কাবা কংগ্রেসকা ৩৭ কাবা জে দি এস কা পুনশিল্লগা সরকার শেম্নবা দাবি তৌরিবনি।

চৈরক অসিদা জে দি (এস) কী ঐচ দি কুমার স্বামিনা বি জে পি না মহাক্কী পার্টিগী এম এল এ শিংদা লুপা ক্রোর ১০০ অমদি কেবিনেটকী ফম পীগে হায়না থেমলে হায়না মরাল শীখ্রে।

"জে দি (এস) কী এম এল এ শিংদা লুপা ক্রোর ১০০/১০০ পীগে হায়না থেল্লি। অসিগুম্বা ব্লেক মনি অসি কদায়দগী লাকপনো ? মখোয় তশেংবদি লায়রবা প্রজাশিংগী শেবা তৌফম থোকপনি। অদুবু ঙসিদি মখোয় পৌশা পীগে হায়ররে। ইনকম টেক্সকী ওফিসিয়েলশিংদুনা কদায়দা চৎখ্রবা'' হায়না ঙসি প্রেস কনফরেন্স অমদা রাম কুমার স্বামিনা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা কংগ্রেস–জে দি (এস) পু গভর্ণরনা সরকার শেম্নবা বার্তন তৌদ্রবদি এম এল এ পূম্নমক্কা রাজ ভাবনগী মমাঙদা হয়েংদগী হৌনা ধরনা ফমগনি। মদুদা এম পি শিংসু য়াওশিনগনি হায়না কংগ্রেসকী সেনিয়ার লীদর গুলাম নবি অজাদনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি অহুমক্কা ঙসি তোঙান তোঙানবা মিটিং ফমদুনা মখোয় মখোয়গী লানলোং খন্নখি। নৌনা কারক্কবা বি জে পি গী লেজিসলেচরশিংনা বি এস য়েদিরুপাবু মখোয়গী লেজিসলেটর পার্টিগী লীদর খনখ্রে। জে দি (এস) কী এম এল এ শিংনসু ঐচ দি কুমার স্বামিবু লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর হাপখ্রে।

বি জে পি গী চীফ মিনিষ্টরগী নোমিনি য়েদিরুপানা গভর্ণর বজুভাই ভালাগা উন্নদুনা বি জে পি না কর্নাটকাদা মথংগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা তকশিনখ্রে। রাজ ভাবনগী মপান্দা পাউমীশিংগা উন্নবদা য়েদিরুপানা মহাক হয়েং চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগনি হায়না য়াম্না থাজনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা গভর্ণর উন্নবা মতম লৌরিবা ঐচ দি কুমার স্বামিনা জে দি এস কা কংগ্রেসকা তৌনরিবা এলাইয়েন্স অসি তশেং তশেংলে। পার্টি অসিনা কংগ্রেসনা কন্দিসন য়াওদনা শৌগৎপগা গভর্ণমেন্ট শোয়দনা শেমগনি হায়না দাবি তৌখি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা সরকার অমা শেম্বগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়াম্না লুনা খঞ্জবা গুজরাটকী হান্নগী আর এস এস কী মীওই গভর্ণর ভজুবাই ভালা দা পূম্নমক্কা মীৎয়েং থল্লি।

হান্না চৎনরকপা মতুং ইন্নদি ষ্টেট অমগী গভর্ণরনা সিঙ্গল লাজেস পার্টিগী লীদর অদুদা নৎত্রগা প্রিপোল এলাইয়েন্সকী লীদর অদুদা সরকার শেম্নবা বার্তন তৌনৈ। অদুগা হং এসেমব্লি লৈরবদি এসেমব্লিগী ফ্লোরদা মেজুরিটি প্রুপ তৌননবা মহাক্কা হায়নৈ।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দা কে পি সি সি গী প্রসিদেন্ট জি প্রমেশ্বরা অমদি জি দি (এস) কী চীফ ঐচ দি কুমার স্বামিনা এম এল এ ১১৭ কী সহি য়াওবা চেরোল অমা গভর্ণরদা শিন্নখি। গভর্ণরগা উন্নরবা মতুংদা মহাক্কা পাউমীশিংদা হায়, "গভর্ণরনা মহাক্কী ক্লেম অদু কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না খন্নগনি হায়রক্লে। গভর্ণরনা কন্সটিট্যুসন ঙাক্লা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজে।'' কংগ্রেসকী লুচিংবা প্রমেশ্বরানা কংগ্রেস লিজেসলেচরনা পাস তৌবা রিজোলুসন অমসু গভর্ণরদা খূৎশিন্নখি।

কংগ্রেস লুচিংবা প্রমেশ্বরানা হায়, গভর্ণরনা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেনদা য়ূম্ফম ওইরগা, কন্সটিট্যুসন্দা য়ূম্ফম ওইরগা অমদি গোৱা মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি মণিপুরদা সরকার শেমখিবগী মওংদা অদু য়েংলগা ফিরেপ অমা লৌগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

চৈরক অসিদা জে দি (এস) কী এম এল এ অনী রাজ ভেনকতপা নায়ক অমদি ভেনকন্দারাও পার্টিগী মিটিংদগী মাঙখ্রে হায়না এ এন আই দগী রিপোর্ট তৌরি। অদুবু জে দি (এস) কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা এম এল এ মাঙখিবগী থৌদোক অসি লৈতে হায়না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

## রেলৱে পুলিস ফোর্সনা রঙ্গিয়াদগী অঙাং মঙা কনখ্রে

**গুৱাহাটি, মে ১৬ ঃ** অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা পীক্লিবা অঙাং অমদি ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পুরগা য়োম্থোকপগী থবক কন্না চথরক্লি। অসিগুম্বা থবক অসি থিংনবগী চঙশিল্লকপা খোঙথাংদা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্স (আর পি এফ) না হৌখিবা মে ১৪ দা রঙ্গিয়া রেলৱে ষ্টেসনগী প্লেটফোর্ম নম্বর ১ দগী পীক্লিবা অঙাং মঙা কনবা ঙমখ্রে।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী আর পি এফ কী ইন্সপেক্টর অশোক দাসনা কন্সটেবলশিংবু মীচম শারগা থাদোক্তুনা চিংনরিবা মীওইশিং অদুগা ৱারী ৱাতাই শানহনখি। অঙাং মচাশিং অদুনা চপ চাবা পাউখুম পীবা ঙমদবদগী চিংনরিবা অদু মপূং ফাখি। খুদক্তা ফোর্স থোমজিন্দুনা অঙাং ললোনবা ট্রাফিকরশিং অদু ফাবা ঙমখি। মতূংদা ট্রাফিকরশিং অদু কনবা ঙমখ্রবা অঙাংশিং অদুগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট রেলৱে ষ্টেসনশিংদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা শিন্নখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সতসু পীক্লিবা অঙাংশিং কন্নবগী থবক্তা মীৎ–না শিংননবা ইষ্ট্রক্সন পীদুনা লৈরিবনি।

হৌখিবা চহী ২০১৭ তা আর পি এফ না অঙাং ৫১৫ কনবগা লোয়ননা ট্রাফিকর ১১ ফাবা ঙমখি। চৎলিবা চহী অসিদসু আর পি এফ না নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ারগী রেলগী মফম কয়াদগী অঙাং ১৭০ কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

## বোর্দকী রিজন লাওথোকখ্রবা মতূংদা অঙাং তরুক সুইসাইট তৌখ্রে

**ভোপাল, মে ১৬ ঃ** মধ্য প্রদেশ বোর্দকী এক্সামিনেসনশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাওথোকখ্রবা মতূংদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা নুপীমচা তরুক য়াওনা পূন্না মহৈরোয় নিপান সুইসাইট তৌদুনা শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

শিখ্রিবা অঙাং নিপানদুগী মনুংদা মরি অমনা ক্লাস টেন থাবনি অদুগা মরি অমনা ক্লাস টুৱেল্ভ থাবনি। অতোপ্পা নুপীমচা মহৈরোয় অনী অমসু সুইসাইট তৌদুনা শিজগে তৌরম্বদগী লায়েংবগী থবক চথরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা পাউ অসিনা মখা তারি মদুদি মখোয় খরা অমনা এক্সামিনেসন পাস তৌবা ঙমদবদগীনি খরা অমনা মখোয়না ফংগনি হায়না খল্লিবা পোজিসন অদু ফংদবদগীনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ অদুগী মতুং ইন্না ভোপাল, সেহোর অমদি বিন্দ দিষ্ট্রিক্টতা মহৈরোয় অনী অনী শিখি অদুগা উজয়ন অমদি ছাতারপুরদা অমমম শিখি। অদুগা শিজগে তৌরম্লিবা নুপীমচা অনীদুনা ছিনৱারা অমদি দোমা দিষ্ট্রিক্তগীনি।

ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ভকী এক্সামিনেসন অদুদা মেরিট লিষ্টতা নুপামচাশিংদগী নুপীমচা শিংনা হেন্না মাঙজিন থাখি। বোর্দকী ইক্সামিনেসন পরীক্ষা অদুদা ক্লাস টেনদা চাদা ৬৬.৫৩ অমদি ক্লাস টুৱেল্ভতনা চাদা ৬৮.০৭ পাস তৌখি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গল পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী ফল মে ১৭ তা লাওথোক্কনি

**কোলকটা, মে ১৬ ঃ** পাক শন্না ইরাং থোকখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলী পঞ্চায়ট মীখল অদুগী মতূংদা পোলিং ষ্টেসন ৫৬৮ দা ঙসি অকনবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা রিপোল পাঙথোকখ্রে। ইলেক্সন অসিগী ফল মে ১৭ তা লাওথোক্কনি। বেঙ্গলদদি পঞ্চায়টকী ইলেক্সন অসি ষ্টেট অসিগী রাজনিটিগী মাইয়োল খঙননবা থৌওং অমনি হায়না লৌনৈ।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ট পোল অদুদা বেঙ্গল পূম্নমক্তা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকখি। মী ১৩ শিখি অদুগা ৫০ গী মথক্তা শোকখি। বোম পোকখাইবা বুট কেপচর তৌবা বেলোট বোক্স মৈ থাবা পাউমীশিংদা এটেক্ট তৌবনচিংবা থৌদোকশিং য়ামদ্রবদা দিষ্ট্রিক্ট নিপান্দা থোকখি।

হিংশাগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী ৱেষ্ট বেঙ্গল ইলেক্সন কম্মিসন্না য়ূমশকৈশা নুমিত্তা পোলিং বুট ৫৬৮ দা রিপোল তৌনবা ওর্দর তৌখি। রিপোল অসি হুগ্লিদা বুট ১০, ৱেষ্ট মিদনাপুরদা বুট ২৮, কুছবেহারদা বুট ৫২, মুর্সিদবাদতা বুট ৬৩, নদিয়াদা বুট ৬০, নোর্থ ২৪ পর্গনাদা বুট ৫৯, মালদাদা বুট ৫৫, উত্তর মিদনাজপুরদা বুট ৭৩, সাউথ ২৪ পর্গনাদা বুট ২৬ য়াওরি।

অপূনবা সিট ৫৮,০০০ গী মনুংদগী সিট ৩৮,০০০ দা মীখল থেংনখি। ভোট থাদনদ্রিঙৈদা অপূনবা সিটকী চাদা ৩৪ দি ট্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপনা লম্বা য়াওদনা কারে হায়না লাওথোকখ্রবনি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা থৌওং অসি চিংননিঙাই ওই হায়দুনা রিজন লাওথোক্তনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

## জম্মুগী সম্বাদা পাকিষ্টান্নি টোরোরিষ্ট অহুম চঙশিনখ্রে, রামজান মনুংদদি ওপরেসন চথরোইদৌরি

**জম্মু, মে ১৬ ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জম্মুদা থাংজ নুমিত্তা চৎকদবগী মাঙওইননা পাকিষ্টান্নি টেরোরিষ্টনি হায়না চিংনবা মঙা জম্মু অমদি কাশ্মীরদা শুরুং ফাওদুনা চঙশিল্লকখ্রে হায়রি।

বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সতগী ফংবা পাউগী লীখুল অমনা হায়, টেরোরিষ্টশিং অদু সম্বা সেক্টরদা শুরুং অমা ফাওদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চঙশিল্লকখিবনি। মখোয় অদু ঙমখৈদা ঙরাং ফাওবা উখি। অদুবু হৌজিক মফম খঙখিদ্রে। সেক্যুরিটি ফোর্সনা ষ্টেট অদু শিনবা থুংনা মীৎ–না শিংনা লৈহনখিবগা লোয়ননা টেরোরিষ্টশিংবু ফানবা পাক শন্না ওপরেসন চথরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা খা থংবা কাশ্মীরদা লৈবা কিশেনগঙ্গা প্রোজেক্ট শঙ্গাগদৌরি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, লাম্মীনা ঙমখৈগী লমদমদা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা কোয়চৎ চৎপা থেংনরে। "মীৎ–নাকোং শিংনা লৈহনখ্রে। থি হুম্বগী থবকসু চথরি'' হায়না কাথুৱাগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস শ্রীধর পাটেলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

আর্মিনা নোংথক্তগী সর্ভিলেন্স তৌরি, অহেনবা চেক পোষ্টসু হাংদোকখ্রে অমদি হায়ৱেদা চথোক চৎশিন তৌবসু কূপ্পা য়েংশিল্লি। হায়ৱেগী পরীংদা লৈবা কথুৱা সম্বা অমদি জম্মু দিষ্ট্রিক্টকী সেক্যুরিটি ইন্সতোলেসন পূম্নমক মীৎ–না শিংনা লৈহনখ্রে।

অতোপ্পা য়াম্না শীংথানিঙাই ওইবা ফিরেপ অমদা সেন্টরনা জম্মু অমদি কাশ্মীরদা রামজান থা মনুংদা ওপরেসন চথদনবা সেক্যুরিটি ফোর্সতা হায়খ্রে। ফিরেপ অসি শান্তি পামজবা মুস্লিমশিংনা শান্তি ওইবা ফিভমদা রামজান পাঙথোকচবা য়ানবা ফিরেন অসি লৌবনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়রি।

অদুম ওইনমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়দা খূৎ থারক্লবদি খূৎ হন্নবগী হক লৈগনি নৎত্রগা করিগুম্বা দরকার লৈরবদি মীচমগী পুন্সি কন্নবগীদমক খূৎলাই শীজিন্নবা য়াগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা জম্মু অমদি কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদু খঙহনগনি। "ৱাখল য়াওদবা হিংশা চথদুনা ইস্লামগী কুম্মৈ মনুংদা বদনাম পীগদবা থবক্তগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং লাপথোক্লা লৈবা দরকার ওই'' হায়না হোম মিনিষ্টিগী ৱাঙাংলোয় অদুনা ফোঙদোক্লি।

মুস্লিম ইচিন ইনাওশিংনা রামজান শান্তি ওইনা অমদি খুদোংথিবা য়াওদনা পাঙথোক্লবা গভর্ণমেনটকী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবা পূম্নমক হোৎনগনি হায়নসু ৱাঙাংলোয় অদুনা মখা তাখি।

রামজানগী অশেংবা থা অসি থা উবগী মতূং ইন্না হয়েং নৎত্রগা ইরাই নুমিত্তগী হৌবা য়াই হায়রি।

# অৱাং কোরিয়ানা ট্রম্পকা উন্নগদবা মিটিং তোকথোক্লগনি হায়না কিহনখ্রে




**পিওংয়াং, মে ১৬ ঃ** মথং থা জুন ১২ দা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কনি হায়দুনা য়াম্না অশা চাওনা শেম শারিবা য়ু এস এ গী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি কোরিয়াগী কিম জোং উন অনীগী মিটিং অদু ফিভমনা য়াদ্রবদি তোকথোক্কনি হায়না অৱাং কোরিয়ানা কিহনখ্রে।

অৱাং কোরিয়াগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর কিম কে গ্বাননা য়ু এস এ গী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলতোনগী ৱাঙাংদা অশাওবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, য়ু এস না লৈবাক অনীগী মরীদা দাইত্ব য়াওদবা ৱা ঙাংই। অৱাং কোরিয়ানা কোরিয়াগী পেনিনসুলাদা দিন্যুক্লেরাইজেসনগী থবক্তা চপ চানা লেপ্লি।

অৱাং কোরিয়ানা মসিগী মপূং ওইবা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট তৌফম অদু থা অসিগী লোয়রকপদা থুগাইবা মতমদা মীরৈবাক্কী পাউমীশিং য়েংহনগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মরক অসিদা য়ু এস কী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর বোলতোন্না অৱাং কোরিয়ানা 'লিবিয়াগী মোর্দেল' ইনগদবনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱাফমদুনা নোর্থ কোরিয়াদা য়াম্না নুংনাংবা পোকহল্লে।

লেবিয়াগী কোলোনেল গোদাফিনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগাম থাদোকখ্রবা মতূংদা মহাকপু নোংচুপকী লৈবাকশিংনা চহী খরগী মতূংদা ফারগা হাৎখিবনি।

ষ্টেট মেদিয়াদা ফোঙখিবা কিমগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, করিগুম্বা য়ু এস এ না "ঐখোয়বু কোর্নর তৌদুনা মখোয়না অপাম্বা মওংদা ন্যুক্লিয়ারগী খূৎলাই থাদোকউ হায়রবদি ঐখোয়না মখা তানা ৱারী শাবদা থরায় য়াওরোই অমদি সিঙ্গাপুরদা জুন ১২ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা সমিট অসিদা য়াওবগী মতাং অমুক হন্না খন্নগনি।''

মহাক্কা হায়খি, অৱাং কোরিয়ানা য়াম্না অশা চাওরুবনি অদুবু য়ু এস এ না সমিট অসিগী মমাঙদা ঐখোয়বু শাওহনবা য়াবা ষ্টেটমেন্ট পীরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

মসিগী মমাঙদা অৱাং কোরিয়ানা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা খা কোরিয়াগা উন্নগদবা মীফম অমদগী তোকথোকখি। মসি য়ু এস কা সাউথ কোরিয়াগা পূন্না মিলিটরি দ্রিন চথখিবদগীনি। অৱাং কোরিয়ানা মাঙজৌননা থবক অদু তৌবা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীরবসু য়াম্না শাওগৎহনবা য়াবা থৌওং চথরকই হায়না অৱাং কোরিয়ানা মরাল শীরি।

অৱাং কোরিয়ানা মসিগী ফিরেপ খঙহোং হোংলকপা অসিদা য়ু এস কী ওফিসিয়েলশিং অঙকপা পোকহনখ্রে। হীরম অসিদা থিজিল্লিবা এক্সপার্ট কাঙবুগী মোত মতুং ইন্না অৱাং কোরিয়ানা ৱারী শাদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না খূৎ কনখৎহন্ননবা হোৎনরম্না য়াই হায়রি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ট্রম্প অমদি কিমগী মিটিংগী থৌরাং অদুম তৌরি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী মায়ৈগেদগী হীরম অসিদা মোত অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

য়ু এস কী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলতোন্না মেদিয়া ইন্টরভিউ অমদা অৱাং কোরিয়ানা নুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোকপগী মতাংদা লিবিয়াগী মোর্দেল লৌবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। লিবিয়ানা ২০০০ দা য়ু এস কা মরী ফগৎনবা অমদি শেল–থুমগী তেবাং ফংনবা খূৎলাই থাদোকখিবনি। মমৈথংদা লিবিয়াগী প্রসিদেন্ট য়েক্কবগী মখূৎতা থরায় মাঙখিবনি।

## তর্কিনা ইজরেলগী কোলসুন ষ্টানবুল থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে

**ষ্টানবুল, মে ১৬ ঃ** তর্কিনা ষ্টানবুলদা লৈবা ইজরেলগী কোলসুন জেনরেল লৈবাক অদু থাদোক্তুনা মতম খরা চৎখিনবা হায়খ্রে। ষ্টেট মেদিয়ানা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা হায়খি, গজা বোর্দরদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংবু ইজরেলিশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা মীশি মীনা থোকহনখ্রবা থৌদোক অদুগী মতূংদা লমন খুম্নবা ওইনা থৌওং অসি চথরকপনি।

তর্কিনা হান্ননা তেল অভিভতা লৈবা মসিগী এম্বাসেদর হান্ননা কৌথোকখ্রবনি। অদুগা ইজরেলনসু জেরুসালেমদা লৈবা তর্কিস কোলসুন মতম কক্তনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রবনি।

ইজরেলগী ফোর্সনা গজা বোর্দরদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পেলেষ্টিনিয়ান ৬০ হাৎখিবা অদুদা তর্কিনা অশাওবা ফোঙদোরকপনি। অসিগুম্বা মীশি মীনাগী থৌদোক অসি য়ু এস না মসিগী ইজরেলদা লৈগদবা এম্বেসি অদু তেল অভিভতগী জেরুসালেমদা হোংদোকখিবদগী থোকখিবনি হায়না মরাল শীরি।

## চাইনানা পাকিষ্টান্দা সেক্যুরিটিগী জহাজ অনী পীখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১৬ ঃ** চাইনা পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদো (সি পি ই সি) গী সমুদ্রগী লম্বীদা সেক্যুরিটি তৌবদা য়াওহন্নবগীদমক চাইনানা ঙরাং মেরি তাইম পেত্রোল ভেসেল অনী পাকিষ্টান নেভিদা খূৎশিন্নখ্রে।

চাইনাগী জহাজশিং অদু পাকিষ্টান নেভিগী ভাইস এদমিরেল এরিফুল্লাহ হুসাইনিনা লৌখি। জহাজ অনী অদু লমদম অদুগী তুরেলগী মমিং লৌদুনা পি এম এস এস হিগোল অমদি পি এম এস বাসোল কৌই।

"জহাজশিং অসি ঙসিদগী পাকিষ্টান নেভিগী শরুক অমা ওইরে। মসিগা লোয়ননা পাকিষ্টান নেভিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লে'' হায়না হুসাইনিনা দোন চেফোঙদা হায়খি।

পাকিষ্টান অমসুং চাইনাগী মরুপ মপাং ওইবগী মরী অসি কনখৎলকপগা লোয়ননা সমুদ্রদগী হেন্না লুরে। চাইনানা জহাজ অনী অমসু পাকিষ্টান নেভিদা পীরক্লগনি হায়না অশা তৌই। মসি হান্নদগী হৌনা পাকিষ্টান নেভিগা থবক তৌমিন্নদুনা লৈরবনি হায়না হুসাইনিনা মখা তাখি।

## বাংলাদেশতা ফেক্তরি মৈ চাকপদা ৫ শিরে

**ধাকা, মে ১৬ ঃ** বাংলাদেশকী কোনুং মনাক্তা কেমিকেল ফেক্তরি অমা মৈ হৌরকপদগী য়ামদ্রবদা মী ৫ শিরে, ১০ অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

মফম অদুদগী অশিবা হকচাং ৫ লৌখৎলে। অশিবশিং অদু লম্বী চৎপা ঙাক্তনি। মৈ অদু ফেক্তরি অদুগী বোইলর পোকখাইবদগী থোকখিবনি হায়না ফাইয়ার সার্ভিস ষ্টেসনগী ওফিসারনা ফোঙদোক্লি।

RST Resonant Tutorials Imparting Light to Medical Aspirants

RESONANT TUTORIALS

Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21$^{st}$ June, 2018

Last Date of Admission : 19$^{th}$ June, 2018

Special features:

- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

### সনা–সুদোকু –১১৬৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | 5 | 2 | 9 | 6 | 8 | 4 | 7 |
| 9 | 4 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 | 6 | 1 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 1 | 7 | 2 | 4 |
| 3 | 1 | 7 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 |
| 4 | 6 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 8 | 3 |
| 8 | 5 | 4 | 9 | 1 | 3 | 6 | 7 | 2 |
| 6 | 9 | 1 | 4 | 2 | 7 | 3 | 5 | 8 |
| 7 | 2 | 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 | 9 |

## GAS TODAY

**Haran Valley Gas**
Booking : 21/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 15/05/18
Valid : 12/05/18
Sl. No. 4797
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 11/04/18
Valid : 01/04/18
Sl. No. 214689
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 06/04/18
Valid : 05/04/18
Sl. No. 3400
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 10/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 17/04/18
Valid : 07/04/18
Sl. No. 200
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Patsoi Indane**
Booking : 09/04/18
Valid : 02/04/18
Sl. No. 98
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 02/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 21/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 08/05/18
Valid : 01/12/17
Stk : 612/19kg 54
Sl. No. 11600
Delivery at Heinoupok Godown

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 22/04/18
Valid : 19/04/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Misao Gas Indane**
Booking : 05/04/18
Valid : 24/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 30/03/18
Valid : 28/03/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 01/04/18
Valid : 21/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 17/04/18
Valid : 10/04/18
Sl. No. 100
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1169**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | | | | | | 2 | 1 |
| 8 | | | | | | | 9 | 6 |
| 4 | | | 9 | 7 | | | 3 | |
| | | | | | 2 | | | |
| | 3 | 6 | 1 | | | | | 9 |
| 5 | | | | | | 3 | | |
| | | | | | 9 | | 1 | |
| 3 | | 5 | | 8 | | | | |
| 1 | | | | 3 | | 9 | 8 | |